

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JUNE 2, 2017 PAGE 7




*বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী এদমিনিষ্ট্রেটর ৪ সুপ্রিম কোর্টনা খনখিবগী মনুংদা অমা ওইরিবা রিজাইন তৌখ্রবা রামাচন্দ্র গুহা*

*মালেমগী প্রোফেসনেল বোক্সিংগী লমদা য়ুএসএগীদা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক্কী বোক্সরশিং অমদি ভাবক কয়ানা মশক খঙনবা বোক্সর অমা ওইরিবা ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরিবা ইভান্দর হোলিফিল্ড*

## ইটালিনা ফ্রান্স থোইখ্রে, য়ু-২০ ৱার্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল লিষ্ট ৮ মক মশক খঙখ্রে



*প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সপু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*সিওনান, জুন ১ ঃ*

সাউথ কোয়িনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা সিটিদা চত্থরিবা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি সিওনান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইটালিনা ফ্রান্সপু অকনবা লন্বা অমদা পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবগা লোয়ননা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরক্লবা টিম ৮ মক্কী মশক মমিং খঙবা লোইখ্রে।

সিওনান ষ্টেদিয়মদা ইটালি অমসুং ফ্রান্সনা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী ২৭ শুবা মিনটতা ইটালিগী মায়কৈদগী ওসোলিনিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। ফ্রান্সকী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী ওগষ্টিননা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোকপদগী ইক্বেলাইজর ওইখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ চঙশিল্লকপা মিনিট ৮ শুরকপদা ইটালিগী মায়কৈদগী পানিকোনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চল্লগা ফ্রান্সপু মায়থিবা পীবা পাঞ্জল অদু ওইরগা থা অসিগী ৫ দা জম্বিয়াগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগনি।

ঙসি ইণ্ডিয়োন ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অঙনবা মেটচ অমদা মেক্সিকোনা সেনেগালবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না লন্বা মান্নবা শান্নরকপদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ চঙশিল্লকপা মিনট ১৪ শুরকপদা মেক্সিকোগী শান্নরোই সিজনেরোজনা ৫৯ শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অমত্তা ওইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেক্সিকো ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দনা থা অসিগী ৫ দা শান্নরগনি।

ইণ্ডিয়োন ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ন্যু জিলেন্দবু য়ুএসএনা য়াম্না হেন্না পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু য়ুএসকী সর্গেন্টনা ৩২ শুবা মিনটতা চনখি। মখা তাবা মেটচ অদুগী পাঞ্জল ৫ অনীশুবা হাল্ফতা চনখি।

৬৪ অমসুং ৬৫ শুবা মিনটতা য়ুএসকী ইবোবিসে অমসুং লেনোননা পাঞ্জল অনী হাপচিনখি। মদুগী মতুং গ্লেদ অমসুং ট্রুষ্টিনা ৭৬ অমসুং ৮৪ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী অমগা হাপচিল্লবা ৫-০ দা লৈখি। অদুগা কুংগানা ইনজুরি টাইমদা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৬-০ দা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং সাই প্রনিথ থাইলেন্দগী ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বেঙ্কোক, জুন১ ঃ*

থাইলেন্দগী বেঙ্কোক সিটিদা পাঙথোক্লিবা থাইলেন্দ ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং বি সাইন প্রনিথ মখোয়-মখোয়গী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল অমদা টুর্নামেন্ট অদুদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই অদুগা হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱানসু ওইবা ঙল্লম্বী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা মালেসিয়াগী য়িং য়িং লিবু য়াম্না কোম্না ২১-১১, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

মহাক্কা ক্বার্টর ফাইনেলদা লন্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু থাইলেন্দগী সুপানিদা কাটেথোংবু ২১-৮, ১৭-২১, ২১-১৭ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবা জপানগী হরুকো সুজ কিনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা নুপীগী সিঙ্গলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই এস রাও চুকা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী পাটারাসুদা সাইৱানগী মখুত্তা ১৫-২১, ১৭-২১ দা মায়থিহৌখি।

সাইৱানননা অতোপ্পা থাইলেন্দগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ ওইরিবা বুসানন ওং বামরুংফানগা থেংনগৌরি। বুসাননা মহাক্কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই সুসান্টো য়ুলিয়াবু ২১-৫, ২১-৬ তা মায়থিবা পীরমখি। কাঙলুপ অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা জপানগী সয়াকা টাকাহসিবু অকনবা লন্বা অমদা ২৪-২২, ১০-২১, ২১-১৮ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী স্রি ফাটমৱাটিবু ২১-১৮, ২১-১৯ দা থোইরম্বী থাইলেন্দগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী নিটসাওন্দ জিন্দাপোলগা লন্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা ঙসি প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মালেসিয়াগী ৯ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইস্কন্দর জুলকর্নেনবু ২১-১৩, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা হয়েং মালেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ৱৈ ফেং সোবু ২১-১৯, ২১-৮ তা থোইরম্বা থাইলেন্দগী কান্টাফোন ৱাং চারোননা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সৌরব ভর্ম ঙসি ফ্রান্সকী ব্রাইস লেভরদেজকা শান্নবদা ১৬-২১, ২৫-২৩, ১১-২১ দা মায়থিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে। নম্বর ৱান সিদেদ টানোন সাকপু মহাক্কী লন্বা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## পোলেন্দগী এগনিস্কা রাটৱাস্কা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



*ফ্রেঞ্চ ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱাস্কা*

*পেরিস, জুন১ ঃ*

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱাস্কানা বেলজিয়মগী এলিসন ভানবু মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৯ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱাস্কা অমসুং বেলজিয়মগী এলিসন ভানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু শান্নরোই অনীনা অকনবা লন্বা মায়োক্লখ্রবা মতুং পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱাস্কাবু ৭-৬(৭-৩) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদদি রাদৱাস্কানা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনাশান্নরকখিবদগী মহাক্কী লন্বা ওইখিবী বেলজিয়মগী এলিসন ভানগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদসু সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইখিবদগী পোলেন্দগী রাদৱাস্কা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৩ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী শান্নরোই টাটজানা মারিয়াবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-১ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা ষ্টান ৱারিনকানা য়ুক্রেনগী আলেকজেন্দর দোলগোপোলোভপু ৬-৪, ৭-৬(৭-৫), ৭-৫ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ৱান শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা স্লোভাকিয়াগী মার্টিন ক্লিজানবু য়াম্না অকনবা লন্বা মায়োক্লরবা মতুং ৬-৭(৩-৭), ৬-২, ৬-২, ৭-৬(৭-৩) দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্না রুশিয়াগী কোন্সটেটিন ক্রাভ্চুকপু ৬-৩, ৬-২, ৬-২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।




লুপা লাক্ষ ২ নৎত্রগা হেনবা শেনফমগী পীথোক-পীশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে !

(চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী চৎনবা হৌখ্রে)

**ইনকম টেক্স এক্ট, ১৯৬১দা চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী হৌরগা সেক্সন ২৬৯এসটি হাপচিন্দুনা মীওই অমনা লুপা লাক্ষ ২* নৎত্রগা হেনবা লৌশিনবা য়াহল্লরোই ঃ**

- নোংমদা মীওই অমদগী পুনশিল্লকপা মওং ;
- অমুক্তংদা শেল পীথোক-পীশিন তৌবগী মওং ; নৎত্রগা
- থৌদোক অমগা মরী লৈনবা পীথোক-পীশিন তৌবা নৎত্রগা মরম অমদগী মীওই অমদগী ফংবা নৎত্রগনা একাউন্ট পেয়ি চ্যেক নৎত্রগা একাউন্ট পেয়ি বেঙ্ক দ্রাফ নৎত্রগা বেঙ্ক একাউন্ট অমদগী ইলেক্ট্রোনিক ক্লিয়ারিং সিষ্টেম শিজিন্নরকপা।

**সেক্সন ২৬৯এসটি কনাদা চৎনগনি?**

- লুপা লাক্ষ ২ নৎত্রগা হেনবা শেনফম মীওই অমা হেক্তদা।

**সেক্সন ২৬৯এসটি অসি করম্বা শেল পীথোক-পীশিন তৌবদা চৎনরোইদগে?**

- গভর্নমেন্টতগী নৎত্রগা বেঙ্কিং কম্পেনি, পোষ্ট ওফিস, সেভিংস বেঙ্ক নৎত্রগা কো-ওপরেটিভ বেঙ্কশিংদগী লুপা লাক্ষ ২ নৎত্রগা হেন্না ফংবা নৎত্রগা পীবা মতাংদা অথিংবা লৈরোই।

সেক্সন ২৬৯এসটি গী মায়োক্তা লৈরকপশিংগী মথক্তা চাদা চান্মা ফংলিবা শেনফমগী চৈরাক লৈরগনি (আইটি এক্ট, ১৯৬১ গী য়ু/এস ২৭১দিএ)

অরোনবা শেল, বেনামি নৎত্রগা অসিগুম্বা শেল পীথোক-পীশিন* গী মরমদা পাউ লৈরবদি মীওই অমা হেক্তনা blackmoneyinfo@incometax তা ই-মেল তৌরকপা য়াগনি

@IncomeTaxIndia

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট

www.incometaxindia.gov.in

davp15401/13/0022/1718